# ইন্দিয়ান পিসকিপিং ফোর্সতা য়ু এন মেদল পীখ্রে



*ন্যু দিল্লি, জুন ২৩ :*
সাউথ সুদানদা য়ু এন পিসকিপিং ফোর্সকী শরুক অমা ওইনা লৈরিবা ৭ গরৱাল রাইফলস ইনফেন্ট্রি বাতালিয়ন গ্রুপপু কখোকপগী থবক তৌবগীদমক য়ুনাইটেদ নেসন্স মেদল পীখ্রে হায়না ঙরাং ইন্দিয়ান আর্মিনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসন্স মেদল ফোর সেল্ফলেস সার্ভিস পীবগী শগোলশেন নুমিত্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ুনাইটেদ নেসন্স মিসন ইন সাউথ সুদান (য়ু এন এম আই এস এস) কী কম্মান্দর ব্রিগেদিয়র জেনরেল মোহমেদ অল মাসুম অমসুং তোঙান তোঙানবা নেস্নেলিটি কয়ামরুমগী সেনিয়ার কম্মান্দর কয়ামরুম য়াওনা মিলিটরি অমসুং সিভিলগী শক্লাইরবা মীওই কয়ামরুমনা শরুক য়াখি হায়না আর্মিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি।

এৱার্দ পীবগী থৌরমদা পাঙথোকখিবা পেরেদ অদু মিসন অসিগী দিপ্যুটি ফোর্স কম্মান্দর মেজর জেনরেল বয়ারসাইখান দাসদোনদোগনা রিভ্যু তৌখি মদুদা মেজর অমান লম্বানা লুচিংবা ইন্দিয়ান কন্টিনজেন্টনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা পীবা মহাক্কী পাউজেলদা মেজর জেনরেল দাসদোনদোগনা য়ু এন মেন্দেটতা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা প্রোফেস্নেলিজম অমসুং দেদিকেসনগা লোয়ননা মখল কয়াগী ওপরেসনগী থবকশিং পাঙথোকপগীদমক ইন্দিয়ান বাটালিয়নবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

য়ু এন গী ফিরাল মখাদা ইন্দিয়ান পিসকিপরশিংনা অথোয়বা থবক তৌরিবা অমসুং কখোল্লিবা অসিগী হান্নদগী লৈরল্লিবা খোঙচৎ অদুবু মহাক্না অমুক্কা হেন্না চেৎশিন্না য়েংশিনখি।

সাউথ সুদানগী জোংলৈ ষ্টেটতা শান্তি অমসুং তংদু-লৈতাবা ফংনবা হোৎনবদা ইন্দিয়ান বটালিয়ননা ইচং থৌনা অহকপা থৌদাং অমা লৌখি। ঐহাক্না ইন্দিয়ান কন্টিনজেন্টকী মেম্বর খুদিংমকপু মখোয়গী সার্ভিসকীদমক য়ু এন পিসকিপিং মেদল পীবগা লোয়ননা নুংঙাইবা ফোঙদোল্লি হায়না য়ু এন এম আই এস এস কী কম্মান্দর ব্রিগেদিয়র জেনরেল মাসুমনা হায়খি।

# বিহারদা মাঙখিবা ক্লাস টেন অন্সার সীট ৪২,০০০ চেথি-চেগুম ওইনা লুপা ৮,৫০০ দা য়োন্থোক্লম্লে

*পাটনা, জুন ২৩ :*
বিহার স্কুল এক্সামিনেসন বোর্দকী ক্লাস টেন মহৈরোইশিংগী ইভেলুয়েসন সেন্টর অমদগী অন্সার সীট ৪২,০০০ মফম খঙদনা মাঙখিবগী অঙকপা অদু খঙবা ঙম্লবা য়ানা লৈরে।

পুলিসনা ঙসি ফাগৎখিবা স্ক্রেপ দিলর অমনা ওথোরিটিজদা ফোঙদোকপদা মহাক্না মহৈরোইশিংগী অন্সার সীটশিং অদু লুপা ৮,৫০০ দা চেথি-চেগুম ওইনা লৈবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক অমসুং মহাক্না লোয়নবা অমনা শেনফম অদু গোপালগঞ্জ স্কুলগী পিওন অমদা পীখি। ইভেলুয়েসন তৌবা লোয়রবা তুংদা অশোয়-অঙাম থোক্তনবগীদমক অন্সার সীটশিং অদু স্কুল অদুদা থম্বনি। পিওন অদুনা মখোয়বু নোংমা অহিং অমদা তেম্পো অমগা লোয়ননা স্কুল অদুদা পুশিল্লি অদুগা অন্সার সীটশিং অদু মপুন-মপুন পুল্লগা পুথোরকখিবনি হায়খি।

ক্লাস টেন এক্সামিনেসন অদুদা করম্বা মহৈরোইনা মকোক তাবগে হায়বদু খঙনবা অন্সারসিপশিং অদু অমুক হন্না কুপ্না য়েংশিন্নবা ইন্সপেক্সন টিম অমা থাখিবদা অন্সার পেপরশিং অদু চয়োলসিগী অঙনবদা মাঙখ্রে হায়বসি বিহারগী এক্সামিনেসন বোর্দকী ওফিসিয়শিংনা খঙলকখিবনি।

স্কুল এক্সাম অদুদা মকোক তাখিবা মহৈরোই খরদা অচম্বা ৱাহং খরগী পাউখুম পীবা ঙমখিদবগী মতুংদা অন্সার পেপরশিং অদু অমুক হন্না য়েংশিনবগী থবক অসি চৎখে। এক্সাম অদু পাস তৌনবা মহৈরোইশিংনা পৈশা পীবগী স্কাম অমা চত্থরম্লে হায়বসি কোন্না খঙবা ঙমখি।

গোপালগঞ্জ দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা এস এস গার্লস সেনিয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা অন্সার পেপরশিং থম্লিবা কা অদু ইন্সপেক্সন টিম অদুনা হাংদোক্লবদা অন্সার পেপরশিং অদু অমত্তা লৈরমদবনি। হায়রিবা মফম অসি বিহারগী কোনুং পটনাদগী কিলোমিটর ২৫০ রোম লাপ্পী। অন্সার পেপরশিং য়াওবা খাউ ২০০ রোম হেনবদু কোন্না ইরাই নুমিৎতা স্কুল অদুগী মনাক্তা ইহাং হাংনা ফংখি।

ক্লাস টেন এক্সামগী ফল চয়োল অসিগী মনুংদা লাওথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বনি অদুবু হৌজিক এক্সামিনেসন বোর্দ অদুনা নুমিৎ ৬ নি রোম হেন্না চোম্থরগা লাওথোক্লবা হোৎনরি। বোর্দনা এক্সামগী ফল লাওথোক্লবা লেপ্লিবা জুন ২৬ চপ চানা লাওথোকপা ঙমগদৌরিব্রা হায়বা শেংনা চপ চানা খঙদ্রি।

নুমিৎ খরনিগী মতুংদা অন্সার সীট অদু পুলিসনা রিকোবর তৌবা ঙম্লবা য়াই হায়বগী ৱাফমদা ফল লাওথোক্লবা মতম অদু লেপখিবনি। অদুম ওইনমক গোপালগঞ্জ পুলিসনা মদু হৌজিক ফাওবদা মায় পাকপা ঙমদ্রি।

থৌদোক অসিদগী ইকায়বা নংলবা ষ্টেট এদুকেসন মিনিষ্টর কৃষ্ণ নন্দন প্রসাদ বর্মানা হান্না ফোঙদোকখিবদা থোক্লিবা ক্রাইম অসি স্কুল বোর্দ অসিগী অমসুং নিতিশ কুমার গভর্ণমেন্টপু খুরৌ থাংহনবা পাম্বা মীওই খরগী থবকনি হায়খি।

মহৈরোইশিংগী অন্সার পেপর মাঙখিবগী মতাংদা ফোঙলকখিবা মেদিয়া রিপোর্টশিং অদু পাটনা হায়কোর্টনা খঙজিনখি অমসুং মদুগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতগী রিপোর্ট অমা কৌখ্রে।

# কুচুগী মতাংদা নোক্লবা অমসুং করেম্নরকপদগী হু পীজবদা মীওই ৫ শিখ্রে অমসুং মীওই ১২০ হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে

*রাইগর, জুন ২৩ :*
নুপী অমনা মাগী মরী মতাশিংনা মাগী মশক থিবা অমসুং অমুবা কুচুগী মতাংদা লোয়ননা মানা চাক য়েঙ্গুং থোংবগী মতাংদসু ইতৎ তত্তনা করেম্নবা লক্লবিবদগী মথৱায় নুংঙাইরমদে। অসুম্না তত্তনা করেম্নরকপদগীদি মহাক খাঙবা ঙমদদুনা করিগুম্বা থবক খরা তৌরগে খল্লম্মী। অদুদগী মশাগী চহী ২৮ শুরবী নুপী অদুনা মহারাষ্ট্রগী রাইগর দিষ্ট্রিক্টতা মাগী মরী মতাগী য়ূমদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকপা হরাওবগী থৌরম অমদা চান-থক্লবা পোৎলমদা হু হাপচিনখি। অঙাং ৪ য়াওনা মীওই মঙা শিখ্রে অমসুং মীওই ১২০ নাখ্রে।



য়ূমগী নুপী অমা ওইরিবী প্রগ্যা সর্বাসেনা চিঞ্জাক অদু ইনসেক্টিসাইদ য়ানশিনখি অমসুং মহাক্কী মরী মতা সুবাস মানেগী য়ূমদা পাঙথোকপা থৌরমদা শরুক য়াখিবা মীয়ামদা মদু পীজখি।

চাক্লেন অদুগী মতূং থুনমক মীয়াম অদুনা চাকখাউ নারে হায়না ফোঙদোক্লরকখি অমসুং লেপ্তনা ওবা হৌখি। মখোয়বু অমগী মথং অমা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা খূৎলৈ থুনা পুখৎখি। মহাক্কী মরী মতাগী খুঙ্গং অসি মহাদ কৌই। মসি মুম্বাইদগী কিলোমিটর ৭৫ রোম লাপ্পী। মীওই পূম্নমক অদু চপ মান্নবা থৌরমদা চাক চামিন্নখিবনি হায়না পুলিসতা পাউ পীরকখি। মীয়াম অদুনা চাখিবা চিঞ্জাক অদু এনালাইসিসকীদমক থাখিবদা ইনসেক্টিসাইদ য়াওরে হায়বা খঙবা ঙমখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

পুলিসনা ফোঙদোকপদা থৌদোক অসি মখোয়না থীগৎপা হৌরে অমসুং মরী মতা অদুগা ময়ূম অদুগী মনাক্তগী ইসেক্টসাইদ ফংলে।

পুলিসনা চাকচা-হায়জানবগী থৌরম অদুদা য়াওবা মীওইশিংগা ৱারী শান্নরে অমসুং মখোয়না ফোঙদোল্লিবা ৱারোলশিংগা সর্বাসে কৌবী নুপী অদুনা পীবা পাউখুমগা য়েংনবদা চিংনরিবা অদু চুম্লে হায়খি।

পুলিসনা নুপী অদুবু মখা তানা ৱাহং পাউহং চত্থবদা মহাকপু মীয়াম মমাঙদা তুহৎপা অমসুং করেম-কথাইনবগী লমন খুম্নবা চিঞ্জাক অদুদা হু য়ানশিনবনি হায়না মহাক মশানা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক পুলিসনা ফাগৎখ্রে অমসুং মী হাৎপা, হাৎনবা হোৎনবা অমসুং অতৈ মরালশিংগীদমক কেস অমা মাগী মথক্তা থাঙ্গৎখ্রে।

চহী ২ রোমগী মমাঙদা লুহোংখ্রবা সর্বাসে কৌবী নুপী অসিবু মহাক্কী অমুবা কুচু অমসুং থোং-থাকপা হৈতবগীদমক ইতৎ-তৎতনা মীওই কয়ানা করেম্নবী হায়না পুলিসনা হায়খি।

মহাক্কী ইমুং মনুং অমসুং মরী-মতাশিংদা মহাক্না মলোম অমা থমখি অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা মমৈথংদা মখোয় লোয়নমক হাৎনবা মহাক্না ৱারেপ লৌখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মরী-মতাগী হাউস-ৱার্মিং পার্টি অমদা মহাকপু শরুক য়ানবা বার্ত্তন তৌরকখিবা মতমদা মহাক্না তাঞ্জা অমা ফংলে হায়না খনখি। থৌরম অদুদা মহাক চৎখি। অদুগা চিঞ্জাক্তা হু য়ানশিনখি। লোয়ননা মদু মীয়ামদা পীজবদা চিঞ্জাক অদু য়েনবনচিংবা য়াওদুনা মতেং পাংখি।

চহী ৭ তগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা অঙাং মরি অমসুং চহী ৫৩ শুরবা নুপা অমা হু য়ানশিনবা চিঞ্জাক অদু চাবদা শিখ্রে হায়না ওফিসার অমনা হায়খি।

হৌজিক নুমিৎ ৫ নি শুরবা মতূং অসি ফাওবদা অতৈ মীওই খরা হোস্পিটালদগী চৎখ্রবসু মীওই কয়া অমদি হৌজিকসু হোস্পিটালদা লায়কন্নরি।

# ইথিওপিয়াগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টরগী অহানবা মাস রেলিদা বোম পোকখাইবদা মীওই কয়ামরুম শোকখ্রে

*এদ্দিস অবাবা, জুন ২৩ :*
ঙসি থাংজ নুমিৎতা ইথিওপিয়াগী কোনুংদা লৈবাক অসিগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অবিয় অহমদকী অহানবা মাস রেলিদা বোম পোকখাইরকপদগী মীওই কয়া অশোক-অপন নংখ্রে, মীওই খরা শিরম্বা য়াই হায়না চিংনরি। লোয়ননা পাখৎনদুনা মীয়াম অদু কোয়চেন চেন্নখ্রে।



প্রাইম মিনিষ্টর অবিয় অহমদনা লৈবাক অসিগী কোনুং অদ্দিস অবাবাগী ময়োলমক্তদা ঙমখৈ লৈতনা তিল্লিবা য়াম্লবা মীয়াম অদুদা ৱা ঙাংবা হেক লোয়রকপদা খঙহৌদনা বোম অমা পোকখাইরকখি। ৱা ঙাংবা হেক লোয়বগা প্রাইম মিনিষ্টরনা থুনমক ষ্টেজ অদু থাদোক্তুনা চৎখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা কোন্না ষ্টেট টেলিভিজন্না শন্দোকপা পাউগী মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, বোম পোকখাইহল্লক্লিবসি য়ামখ্রবা মীয়ামগী রেলি অসিবু থুগাইবা পাম্বা গ্রুপশিংনা শিল্লকপা ওইগনি। থবক অসি তৌরল্লিবা মীওইশিং অদু শান্তিগী মায়োক্তা লৈবা খূৎপুশিংনি। মসি নখোয়না তোকপা মথৌ তাই। হৌখিবা মতমদগীসু নখোয় মায় পাক্লক্লি লোয়ননা লাক্কদৌরিবা তুংগী মতমদসু নখোয় মায় পাক্লোই।

মীওই কয়া শিরম্বা য়াই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি অদুবু মহাক্কী চীফ ওফ ষ্টাফ ফিটসুম অরেগানা কোন্না ফোঙদোকপদা থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা শিবা লৈতে হায়খি।

পুলিস অমসুং হোস্পিটালশিংদগী ফংবা পাউশিংনা য়ুম্ফম ওইরগা হৌজিক ফাওবদা অশোকপা মীওই ৮৩ নি। মসিগী মনুংদা মীওই ৬ অরুবা ফিভমদা লৈরি। হৌজিক ফাওবদা শিবগী পাউ লৈতে হায়না চীফ ওফ ষ্টাফ অদুনা হায়খি।

এটেক অসি তৌরক্লিবা মীওইশিং অদু শোয়দনমক অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগনি হায়না মহাক্না ৱাশকখি।

মীওই চান্দমদগী হেন্না ষ্টেজ তম্না থোমজিল্লকখি অদুগা গভর্ণমেন্টতা দাউন হায়না লাওবগা লোয়ননা পুলিস তম্না তোঙান তোঙানবা পোৎ-চৈ কয়ামরুম লংশিল্লকখি হায়না এজেন্সি কোরেস্পোন্দেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ৱাফম অদুদগী মীয়াম অদু তান্থোকখিনবা পুলিসনা কোন্না টিয়ার গ্যাস শীজিন্নখি। বোম পোকখাইহনবগী থৌদোক অদুদা চেন্নরমগনি চিংনবদগী নুপা অনী অমসুং নুপী অনী ফাদুনা কষ্টদিদা থমখি।

লৈবাক অসিগী কোনুং অদ্দিস অবাবাগী সেন্ট্রেল মেস্কেল স্কৱারদা পাঙথোক্লিবা রেলি অদু অবিয় অহমদনা লৈবাকসিগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরক্লবা মতূংদা মহাক্কী অহানবা মীয়ামদা ৱা ঙাংবগী থৌরমনি। মহাক এপ্রিল থাদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখিবনি।

হৌখিবা থা অহুমদা সেক্যুরিটি সার্ভিসশিংদা অহোংবা পুরকপা জেলদা লৈবা ওপোজিসনশিং থাদোকপা, লৈবাক্কী ইকোনোমি লিবরেলাইজ তৌনবগী মায়কৈদা খোঙ থাংজিনবা অমসুং থিনা য়েংথিনবা ইরিট্রিয়াগা চহী ২০ গী কনফ্লিক অমা ৱারোইশিন পুরকপা য়াওনা অচৌবা অহোংবা কয়া পুরকখ্রে।

অশংবা টি-সার্ট লীৎতুনা অমসুং কাউবোয় তুপি অমা উপ্তুনা মীফম অদুদা মহাক্না লাওথোকখি – ইথিওপিয়ানা অমুক হন্না খ্বাইদগী মথক্ত লৈরগনি অমসুং মদুগী য়ুম্ফম অদু লভ, য়ুনিটি অমসুং ইনক্লুসিভিটিনা ওইগনি।

মশাগী চহী ৪২ শুরবা প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা মহাক্না এপ্রিল থাদা ওফিস পায়রকখিবগী মতুং থুনমক বন্দি লীশিং কয়া থাদোক্লে লাওথোকখি। গভর্ণমেন্টকী কম্পনিশিংবু প্রাইভেৎ ইনভেষ্টমেন্ট তৌবা য়াহনখি। য়েংথিনবা এরিট্রিয়াগা অনকন্দিসন্নেল পিচ দিল অমা তৌনখি। ঙসিগী মীফম অদুদা তিল্লিবা মীয়ামনা প্রাইম মিনিষ্টরবু পামজবা অমসুং থাগৎপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফোটো য়াওবা ফি-রোনশিং শেৎলকখি। অদুগা ৱান লভ, ৱান ইথিওপিয়া হায়বা প্লেকার্দশিং পায়খি।

# নোর্থ ৱেষ্ট পাকিষ্টান্দা মিলিটেন্ট ৬ য়াওনা ৮ শিরে

*মিরানসাহ, জুন ২৩ :*
আফগনিষ্টানগা ঙমখৈ তাইনবা অৱাং নোংচুপ পাকিষ্টানগী ট্রাইবেল দিষ্ট্রিক্ট অমদা য়াম্না কন্না নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমদা ঙসি থাংজ নুমিত্তা মিলিটেন্ট ৬ অমসুং লাম্মী ২ শিরে হায়না মিলিটরি অমসুং মফমদুগী সেক্যুরিটি ওফিসারশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ময়ূমদগী লাঞ্জেন্নরুরবা মীওইশিংনা ময়ূমদা অমুক হল্লকপা শাশিন্নদুনা সাউথ ৱাজিরিষ্টানগী স্পিনা মেলা খুঙ্গংদা চঙশিল্লকপা মিলিটেন্টশিং লৈরে হায়বগী পাউ ফংবদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খুঙ্গং অদুদা চঙশিল্লবদা ঙসি মিলিটেন্টশিংগা কাপ্নবগী থৌদোক অদু থোকপনি হায়না মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

থৌদোকঅদুদা গভর্ণমেন্টনা খ্বাইদগী হেন্না ফাবা পাম্লিবা নানাকর কৌবা মিলিটেন্ট অমা য়াওনা মিলিটেন্ট ৬ অমসুং লাম্মী ২ শিখি। নানাকর হায়বা মমিং অমখক্তনা খঙনবা মীওই অসি খুলগী লুচিংবশিং অমসুং ট্রাইবসমেনশিং কয়া হাৎপগীদমক ফাবা পাম্লিবনি।

কন্না খূৎ থোক্লরবগী তুংদা সেক্যুরিটি ফোর্সকী লাম্মীশিংনা খূৎশু খূৎলাই অমসুং নোংমৈ মরুশিংতা নত্তনা আফগনিষ্টানগী ঙমখৈ মনুংদা লৈবা মীওইশিংগা পাউ ফাওননবা দিভাইসশিং রিকোভর তৌখি হায়না মিলিটরিনা হায়খি।

ইস্লামাবাদনা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা মওং অমদা য়ু এস না পাকিষ্টানবু আফগনিষ্টান্দা থবক তৌরিবা মিলিটেন্টশিং চঙজফম পী হায়না হন্না হন্না মরাল শীরক্লিবনি।

# তালিবানন্না আফগান ৪৩ ফাখ্রে, পুলিস ৪ হাৎখ্রে

*কান্দাহার, জুন ২৩ :*
খা থংবা আফগনিষ্টানগী কান্দাহার প্রোভিন্সকী স্পিন বোলদাক দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা রোদ কন্সট্রক্সন কেম্প অমদা শগোলশেনগী নুমিদাংদা তালিবান ফাইটরশিংনা লান্দারক্তুনা মীওই ৪৩ ফাখ্রে লোয়ননা পুলিস ৪ সু হাৎখ্রে।

তালিবান মিলিটেন্টশিংনা নুমিদাংদা মফম অদুদা এটেক তৌরকখি। মখোয়না ফাখিবা মীওই ৪৩ দুগী মনুংদা লম্বী শেম্বগী টেক্নিকেল ৱাতরশিং, চাক থোংবশিং অমসুং গারী থৌবশিং য়াওখি। থৌদোক অদুগী পাউ তাবদা ৱার্করশিং অদুবু কন্নবা থারকখিবা সেক্যুরিটি ফোর্সকা মিলিটেন্টশিং অদুগা নোংমৈ কাপ্নবদা পুলিস ৪ শিখি অমসুং অতোপ্পা ১ শোকখি হায়না প্রোভিন্স অদুগী গভর্ণরগী ৱাঙাংলোয় দাৱুদ অহমদিনা ফোঙদোকখি।

এটেক অদু মখোয়না তৌবনি হায়না তালিবানন্না ফোঙদোরকখ্রে। তালিবানন্না তশেংনমক এটেক তৌনবা খল্লম্বসু পুলিস চেক পোইন্ট অমদনি হায়না মখোয়না পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোক্লকখি। মখোয়না এটেক তৌবা পাম্লিবা চেক পোইন্ট অদুদগী পুলিসশিং অদু চেনখ্রবনা লম্বী শেম্বগী থবক তৌরিবশিংনা তুমদুনা লৈরিবা কেম্প অদুদা মখোয়না চঙশিল্লকখিবনি হায়খি।

তালিবানন্না পুলিসশিং অদুবু তান্নখি। অদুবু কনানা কনানো হায়বা মশক খঙবা ঙম্লক্তবদগী মীওই খরা ফানবা ৱারেপ লৌরকখিবনি হায়না গ্রুপ অদুনা ফোঙদোকখি।

নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স বাদঘিসতা থোকপা তোঙানবা থৌদোক অমদসু তালিবানগা খূৎ থোক্নখি অমসুং মদুদা গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা মিলিসিয়াগী মেম্বর ৮ শিখি অমসুং অতোপ্পা ৬ শোকখি। আব কমারি দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা খূৎ থোক্লবা অদু পূং ২ রোম শাংনা কাপ্নখি অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ঙমদুনা লোইশিনখি হায়না প্রোভিন্স অদুগী গভর্ণরগী ৱাঙাংলোয় নাকিবুল্লাহ অমিনিনা হায়খি।

প্রোভিন্সিয়েল কাউন্সিলগী মকোক অব্দুল অজিজ বেগনা ফোঙদোকপদদি থৌদোক অদুদা গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা মিলিসিয়া ফাইটর ১৬ শি হায়খি।

ইদ ফেষ্টিভেলগীদমক তালিবানন্না মমাঙদা অমুক্তা তৌখিদবা মওংদা নুমিৎ হুম্নিগী সিজফাইয়ার লাওথোকখিবা অদু শাংদোক্লবা গভর্ণমেন্টনা হায়জবদা য়ারকখিদবা তুংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা তালিবানন্না এটেক তৌবা অমুক হৌরকখিবনি। গভর্ণমেন্টনসু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লোয়বা নুমিৎ ৮ নিগী সিজফাইয়ার লাওথোকখিবনি।

# কাশ্মীরদা সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংদা দিফেন্দ, দিষ্ট্রোয়, দিফিট অমসুং দিনায় হায়বা ‘দি ৪’ গী পাউতাক পীখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুন ২৩ :*
জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লৈরম্বা অমসুং গভর্ণমেন্ট পায়রম্বা বি জে পি - পি দি পি এলাইয়েন্স অদু কাইখ্রবগী মতূংদা কাশ্মীর তম্পাক্তা মিলিটেন্টশিং লাকশিন্দুনা শান্তি থম্নবা সেন্টরগী অনৌবা খোঙথাংদা দি ৪ হায়বদি দিফেন্দ, দিষ্ট্রোয়, দিফিট অমসুং দিনায় হায়বা ৱাহৈ মরি অসি য়াওরি হায়না মকোক থোংবা হোম মিনিষ্ট্রি ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

তম্পাক অসিগী ইরাং কনবা মফমশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চঙশিনবদা মখোয়না হৌজিক হায়রিবা অশম্বা পাউতাকশিং অসি ইনগদবনি হায়রি।

দিফেন্দ হায়বসিনা উরিবা অর্থদি সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংগী কেম্পশিং শাফনা থম্বা কনখৎহনবা, দিষ্ট্রোয় হায়বনা তাক্লিবদি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টেরোরিষ্ট অমসুং মখোয়গী লোৎফমশিং মাঙহন-তাকহনগদবনি, দিফিট হায়বনা এজেন্সিশিংনা সেপরেটিজমগী আদিওলোজি অদু মকুপ তানা থুগাইনবা থবক তৌগদবনি অদুগা দিনায় হায়বগী অর্থদি তোঙান তোঙানবা টেরর ওর্গনাইজেসনশিংনা লৌশিন্দুনা লানহৌবা য়াওখিগদবদগী নহা ওইরিবা মীওইশিংবু থিংহৌবনি।

ষ্টেট অসিদা বি জে পি অমসুং পি দি পি গী কোলিসন মচেৎ তাখিবদুদা মীয়াম্না পূক্নীং লৈতাবা পোক্লে অদুবু মসিনা অরোইবা নত্তে হায়না রাউন্দ দ্যুটি ওফিসার অদুনা হায়রি।

হৌখিবা চয়োলদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগী য়ূমদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হৌজিক হুরিয়াট লুচিংবশিংগী মথক্তা অকনবা ফিরেপ অমা লৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে। প্রোটেষ্টশিং লুচিংলক্কদবদগী সেপরেটিষ্টশিংবু থিংনবা য়াসিন মালিক ফাজিন্দুনা থম্লে অদুগা হুরিয়াট কনফরেন্স চিয়ার্মেন মিরৱাইজ উমর ফারুক হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লে।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা হন্দক মীচমশিং শিখিবা অমসুং শক্লাইরবা জর্নেলিষ্ট শুজাট বুখারি কাপ্তুনা হাৎখিবগী মায়োক্তা ইরাই নুমিত্তা প্রোটেষ্ট অমা তৌনবা জোইন্ট রেজিষ্টেন্স লীদরসিপ (জে আর এল) গী মখাদা সেপরেটিষ্টশিং অসিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা আপিল তৌখিবনি। অদুবু সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা অকনবা থবক লৌখৎপদগী ইরাই নুমিৎকী লাইশোন মতূংদা ফিভম অদু লাকশিন্দুনা থম্বা ঙমখ্রে হায়রি।

পুলিসতা প্রোটেষ্টরশিংনা চেকতুম-নূংদুমনা থাজিল্লকখিবা পূম্নমক অদু য়াসিন মালিক্কী থৌইনশিন্দগীনি মরম অদুনা মহাকপু ফাজিন্দুনা থম্লে। মহাক্তা নত্তনা গীলানি সাহাব ফাওবসু হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লে হায়না ওফিসার অমনা হায়খি।

প্রোটেষ্টশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা নূংনা থাজিল্লকখিশিং অদুগী মথক্তা লৌখৎলিবা কেসশিং হন্দোক্কদ্রা হায়বগী মতাংদা হৌজিক সেন্টরনা খঞ্জানরি। হীরম অসি হৌখিবা চয়োলদা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগী ময়ূমদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা পুথোক্তুনা খন্নখি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী কেবিনেটতা সেনিয়ার মিনিষ্টর ওইরিবা অমনা ফোঙদোকপদা নূং লংশিল্লকপশিংদা এমেষ্টিগী ৱাফম হৌজিক্তগী হৌনা লৈররোই হায়বসি ঐখোয়না লেপ্পরে হায়খি।

## GAS TODAY

**Athokpam Indane**
Booking : 13/05/18
Valid : 02/05/18
Stk : 918 CTC
Time : 06.00 to 10.00 a.m

**J. Rongmei**
Booking : 22/05/18
Valid : 20/05/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Canchi Indane Service**
Booking : 30/05/18
Valid : 24/05/18
Stk : 918
Rate : Rs. 811.50/-
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Phayeng Gas**
Booking : Upto Date
Valid : 22/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Maibia Gas**
Booking : 19/05/18
Valid : 18/05/18
Stk : 306
Sl. No. 4320
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**G B D Gas, Lamlong**
Booking : 14/05/18
Valid : 29/04/18
Stk : 612 CTC
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**সনা-সুদোকু -১২০৬ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 3 | 9 | 2 | 7 | 5 | 6 | 8 | 4 |
| 2 | 7 | 6 | 8 | 4 | 9 | 3 | 1 | 5 |
| 5 | 8 | 4 | 1 | 6 | 3 | 9 | 7 | 2 |
| 6 | 1 | 8 | 5 | 3 | 7 | 4 | 2 | 9 |
| 9 | 2 | 3 | 4 | 1 | 6 | 7 | 5 | 8 |
| 7 | 4 | 5 | 9 | 2 | 8 | 1 | 6 | 3 |
| 8 | 9 | 7 | 6 | 5 | 4 | 2 | 3 | 1 |
| 3 | 5 | 2 | 7 | 9 | 1 | 8 | 4 | 6 |
| 4 | 6 | 1 | 3 | 8 | 2 | 5 | 9 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1207**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 6 | | 1 | | | 3 | | |
| | 5 | | | | 2 | | 4 | |
| | | | | 4 | | 8 | | |
| | | | 3 | | 5 | | 8 | 9 |
| | | | | | 4 | | | 5 |
| | | 1 | | 6 | | | 7 | 4 |
| | | | | 3 | | | | |
| 3 | | | 9 | 2 | | | | |
| | | 8 | | | | 4 | 1 | |